ৱারী ককনাউ

# ফত্তেদকো মীওইবা

মনিং লৌবুক মপান্দা হৌবা লাইওইরবা খোংনাং পান্বী অচৌবদুগী মরুমদা মী মরি মঙাগা ফমখিবসিদি কনামত্তনা উবা ফংদে। চাউখ্রবা খোংনাংনি। চহীসু য়াম্লবা, খোংনাং অসিগী মখোঙদা পোথাদুনা মতম লেল্লকখিবা মীওই কয়া হৌখ্রবা মতুং অসিদা হৌজিকসু অনৌ-অনৌবা মীরোল কয়া লাক্তুনা ফম্লরি, অরোনবা-অফোংবা, চাহৈবা-চাহৈদবা, তৌহৈবা-তৌহৈদবা কয়া তৌররি। পূম্নমক লাইওইরবা খোংনাং পান্বী অসিনদি লোইনমক উরি, লোইনমক খঙলি। মরোল থোকপা, শাউগনবা, ফুগনবা ওইরবদি খোংনাং পান্বী অসিগী মসা থেক-থেক্তুনা ফুধরকপদা মী অমত্তা মনাক্তা চৎপা ঙম্লোই। মাগী মখোঙদা ৱারী শানখিবা, শকখঙনখিবা লৈকায়গী লৈশাবী মচা কয়া ময়ূম পান্নখ্রে। মাগী মরুম থুপ্তুনা গঙ্গা থকচরম্বা সলাম চাউবসু ঙাওরগা কৈথেল তাখ্রে। মাগী মরুমদা লুম্লগা নম্বর ফোর কাপচরম্বা মথন্তা পোকচবা ইতোবীসু বৃন্দাবন প্রাপতি ওইখিবা কুইরে, কুমওন ফিরোই য়ৌরক্কদৌরে।

কোরোনা লাকপদগী হৌজিক লোকদাউন হায়না তৌরক্লিসি থা ফাজিল্লক্লে। মী অমত্তা মপান থোক্লবা য়াদে, থবক ইনখাং অমত্তা তৌনদ্রে। তঙাইফদবা খরা অয়াবা পীদুনা চৎনরিবা অসি নত্তনা ময়ূম-ময়ূমদগী হেন্দোক্কনু হায়বগী য়াথং লৈবনা মপান থোক্লদ্রে। অদুবু কুইরে খোংনাং মখোঙ অসিদা ঙসাই অয়ূক্তগী তোনস্না হায়বরা কৈনো, নিংথৌজমগী মপা য়াম্না লিকপদুগী মচাদুনা লুচিংলগা মখোয় মরিনা ইকোয়-কোয়না ফম্লগা য়াম্না ফ্রী ওইনা হাপু থক্লিসি। ঙান্থক ওন-ওন্দুনা থক্লকপনা মখোয় লোইনমক মশাসি লোথনরক্লে। অমনা ককই অমনা টিকি চুই তৌদুনা লান্না-লান্নদুনা মৈখু বঙ-বঙ কামথোক্লি। মখোয়গী ৱারকপা ঙমদবা মখনাওদগী কামথোরকপা হাপুগী মৈখুনা লাইওইরবা সনা খোংনাং পান্বীগী উশা ফৈরা অমদা মরূম কোঞ্জরিবা চোঙারাবা মতৈ-মনাওদি মৈ হৌখৈ শাউরি। মখোয়গী মশকশিংদু য়েংনীংদবনা ওরে হায়দু হেক য়ৌই। মখোয়গী ৱারীদু য়াম্না তানীংদ্রসু মচা কোল্লিবা মপীদুনা করম্না মচা ওনগদৌরবা মরূমশিংদু থাদোক্তুনা পাইথোক্কনি। পাম্বে লৈতে মনমদু হৈনদ্রসু হৈনদনা খাংবা তারি। মাগী মতৌদুদা মচিঞ্জাক থিগদবা চোঙারাবদুসু পাইবা ঙমদ্রে। মনাক্তা শংদুনা অদুম লৈরে। মখাদদি কনাগী ৱাথী ময়াম অমা ঙাঙনরি।

"তাতোমচা, কোরোনা হায়সি কয়ামুক তমথীবা মহীকনো?

"ইনাও ইবুংঙো, য়াম শাথীবা জাৎ ওইরমাল্লে, চাইনানা মালেমসি মুথৎলগে হায়না থাদোরকপনি হায়রিসি নঙ তাদ্রো?"

"ইহ! কৈনোনে হায়রিসিবো তাতোমচা, মালেমসিদা লৈরিবা ময়ামসি লোইনা হাত্তোকখ্রগা, সুক চাউবা মালেমসি মখোয় মথন্তা লৈগে হায়রো? অদুদি কায়দৈ য়ানেগে, ঐমা শিবগী দাই লৈতেকো, শুংশি শিবা ঙম্লোই"

"ইবো'! নঙদা নত্তে, ঐখোয় মরিসিমদি শিররোই, মাগী কোরোনা হায়দুনগা চঙবা ঙম্বা নত্তে, ইবুংঙো মাগী মফমদা কৎচরগা ফংজরিবা পোৎসিগী মৈখু মরকসিদবু কনাগী কোরোনা হাইজিল্লক্লগা ঐখোয়গী লঙসতা চঙবা ঙমগদৌরিবনো? মৱা লৌদে, মোইগী মফম ঐখোয়গী লঙসতা লৈতে। অদুনা পূম্নমক নারসু, শিরসু ঐখোয়দি শিবা নাইররোইদবনে, করিগীনো নঙনা অদুক ৱারিবো?" ৱারী তারিবা মমিৎ-মনা মপূং ফানা পাংজবা ঙমদ্রবা থোইথোইনা গঞ্জাদু অমুক্তং হুৎ লাওনা ঙমজবী থাদুনা শাংনা চিংশিল্লগা মমায়দু নোংথক্তা ওনখৎলগা শাংনা লেপ্তুনা কামথোক্লগা মরোল লোল্লকই।

"হোয়নে ইতাও তোনস্না! ঐখোয়গী মৈখুসি য়েংঙুনে, অতিয়াদা ৱাংনা পাইখৎখ্রিবসে। মসিনা লৈচিল মরক্তা তিনখিদৌরিনি।"

"মানি ইতাও থোই, লৈচিল মরক্তা তিনখ্রগা লৈচিল ওনখিদৌরিনি। অদুগা হৌজিক নোং তাদদুনা তুরেল ঈশিং লৈনদবদগী টোটি ঈশিং তাদ্রেদনা। মসিনা লৈচিল ওল্লগা নোং ওইনা চুথরকদৌরিনি। অদুদগী লৌ উবা য়াদুইনি, ঈশিং ফংদুইনি, টোটি তাদুইনি, ঐখোয়না তৌরিবা থবকশিংসে, লৈবাক্কীনিনে। লেম্না তৌবা নত্তেনে?" মদুগী ৱাদু তাবদা পংখৈ ঙাওরবা ইবোচাদু ঙসাইদৈ মকোক্তু খোংনাংদা ঙাথরগা উইরগা লৈরম্বদগী ফুক লাওনা হৌগৎলক্লগা,

"হা করি হায়বা? নোং তারক্লনি হায়বা, ঐদি ছাটিন য়াওরক্তে, ইশাসি নোং চোৎপা য়াবা মী নত্তে, ঐদি সাইনস নাবা মীনি, অদুদি কমদৌনি?" ৱাদু তাবদা তোনস্নানা ঈংনা ৱাপাংশিল্লকই।

"ইবোচা, অশেংবনি, কনানা নোং চুহনবা ঙম্বগে? হাকুম ঈশিং ফংদদুনা লৌ উবা য়াখিদবদু গভর্ণমেন্টনা নোং তাহনবা ঙমখিবরা? মদু খঙবদগী ঐখোয়না ৱানা অয়ূক্তগী কামখৎলিবা মৈখুশিং অসিনা লৈচিল ওল্লগা নোং ওইনা অমুক মালেমসিদা চুথরক্কদৌরিবনিনে, ঐখোয়না তৌরিসিবু কান্নদবা থবকনি হায়না নঙনা খনবরো?"

ইবোচাদু ফুক লাওনা হৌগৎলে, অদুগা লেপখৎলগা হায়রকই,

"হুম! নোই শাউনু, ঐ নোং চোৎপা য়াদে, ঐ চৎলগে?" হায়রগা মখোঙদু লাউনা অমুক থাং, কুপথনা অমুক থাং থোকখি।

মোইগী মতৌদু উবদা উসা মথক্তা লৈরিবা উচেক মতৈ-মনাওদুনা য়েংনরগা হায়রপ নোক্নখি। তাঞ্জাদুদা কোল্লিবা মরূম অদু চেকখায়রক্তুনা উচেক মচা অমা 'চেক-চেক' লাওনা খোংলকই। উচেক মপীদুনা মনিং খজিক কাংখৎলগা য়েংলুবদা মচা ওল্লম্মে। ঙাইহাক্কী মতুংদা মরূম অয়াম্বা মথং-মথং চেকখায়দুনা চেক-চেক লাওনা খোংলকই। হরাওবনা লুতোন শাৎলগা উচেক লাবদুনা মখাদগী কারক্লিবা গঞ্জাগী মৈখুদু ওনবদা ঙাইরিবা মচানা শ্বর হোনবদা য়াওখিনি হায়না মসা মচাদুনা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ পাইদুনা হুমদোক্লি। মথম্মোয়দা পাখৎপা অমগা লোয়ননা মচিন্দা চৈরি।

"ফৎখিদ্রেদা হে তাইবঙ মীওইবা, নোইনা চারি-থক্লিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকসিনা উচেক ঐখোয়দা ফাওবা অৱাবা পীরেদো"।■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

# শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

*ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা*

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

অদুবু যুক কয়া কয়া ঈতিংদুনা মশা কলহনখ্রবা ইনাৎপুদি নমহত্তুনা থম্বা ঙমদে। ঐবু মদুগী ৱাখলদুনা মৈরানবী মপৈ অমা খুদক্তা পাইশিল্লক্তুনা ঐগী হকচাং মনুংদা মসা খপ্তুনা লৈরবোই খলহনখি। থনুংদগী শ্বর হোন্দোরকপদা থোকখি অয়াকপা খোঞ্জেল, "নত্তে! নত্তে! লাল্লে। মসিগুম্বসিদি মওং চুমদবা, নত্তবা শাজৎকী নুংশিনবনি, শেংদবা অমোৎপা মখলগী নুংশিবনি। মসিদগী অফবা পোৎ অমত্তসু থোরক্লোই।"

ঐনা হোটেলদা হেক য়ৌবদা অচৌবা চেবাউখাউ অমা ঐঙোন্দা পীরকখি। মদু হাংদোক্লুবদা খঙলে, রেঙ্গুন্দা লৈবা মমিং চৎপা উ লল্লোনবা ফার্ম অমনা ঐঙোন্দা থবক অমা পীরক্লে। হকচাংসি অৱাবা কোক্তুনা ৱাই পুমশং শংবগী নুংঙাইবদু ফাওখি, অদুদগী অমুকসু মদুগা ঈরোয়ননা অকিবা অমসু পোক্লকখি। ঐ হান্না থবক অমুক্তসু তৌখিদ্রি, অদুনা থবক্তু তশেংনা করম্না তৌগদবনো হায়বা খঙ-হৈবা লৌশিং অমত্তা ঐঙোন্দা লৈতে। কয়াম শাংনা থবক্তু পায়দুনা লৈবা ঙমগনি খল্লুবদা চিংনবা অমসু পোকখি।

ওন্থোকপা হায়দুনি ঐনা কিরুরিবা অদুদি মরম চাদনা কান্নদবদা পংখন খল্লুবা ওইরম্লে। ঐগী লোইশঙগী কোক্লেন অদুদি সাহেবমচা ওইজরবসু বেঙ্গালী ব্রঙ-ব্রঙ ঙাঙবা ঙম্বা, তিন্নবা য়াম্না নুংঙাইবা মীশক ওইরম্লে। থবক চঙবা মতুং থা মখায় ফাবাৎত্রিঙৈদা মানা হায়রকই, "শ্রীকান্ত বাবু, হয়েংদগী হৌনা নহাক অতোপ্পা টেবল অমদা থবক শূবা তারে, অদুগা নঙগী তোলোপসু চাদা চাম্ময়াঙ্খ্রেগী চাংদা হেঙ্গৎপীরনি।"

ওইরক্লিবা ফীভমদুদা - ঐগী অৱাবা কোকপা অমসুং নুংঙাইবা ফংজবদুদা, ঐনা মাবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচখি। ঐগী ফাইল ময়ামদু অমনবা তেক্লি-তেক্লি তৌরবা টেবলদুদগী বর্মাগী চীংসু উগী অকনবা, মথক্তা শামতু অশংবনা কুপ্পা, মঙ্গেমরূ মচুগী ফজবা টেবলদুদা হোন্দুনা পুশিল্লকপদা তামো ঠাকুর অমসুং মাগী লাইবক্তা নোংদম্বা লাইদা থাজজবগী ৱাফমদু নীংশিংলকখি। মাগী ৱাখল্লোন অদুগী অরাবা খুদম অমা, মদুসু নুমিৎ খরনিখক্কী মনুংদা ওইরক্কনি হায়না নীংলুবা, থাজরুবা লৈরুদবনা মতম অমদা ঐনা মাবু নোক্নখি।

ঐ নুংঙাই য়াইফবগী মওং খরা ওইরক্লবদা নোংমা নুমিদাংৱাইরম শগোল গাড়ী অমা ৱায়রগা অভয়াগী মনাক্তা চৎখি-ঐগী নুংঙাইবা পাউ মঙোন্দা তম্লনবা। মমাঙদা মাগীদা চৎলুবগী নুমিদাংৱাই মতম অদুমক্লি ঙসিসু, রোহিনী বাবু ওফিসতগী হেক হল্লকপগা য়াম্না হাউনা চাবা-থকপা তৌনবগী ফমথরম্বদা ঙায়রি। ঐবুসু চাসি কৌশিল্লকখি। পোৎশিংদু য়েংবদা ফজবা, মনম নুংশিবদুদা পম্বদনা ঐসু হরাউনা য়ারে। -মথং-মথং

মতম মতমগী ৱাফম

# মালেম লৈমগী নুমিৎ

শুপ্নতংগী নুমিৎ ৩৬৫নিনা শাবা চহী অমা হায়বসিগী মনুংদা থৌরম কয়ানা ক্রিক ক্রিক ইন্নদুনা নীংশিংবগী নুমিৎ মালেমদা পাংথোক্তুনা লাক্লি। লম লম, লৈপাক অমগা লৈপাক অমগা খেন্নবগী মতুংইন্না পাংথোকপা নীংশিং থৌরমশিংদা মান্নদবশিংসু লৈরি। মালেমগী পাংথোকপা থৌরম ওইজরগসু মরুওইদবদৌনা খন্নবা কয়াসু লৈ। খূদম ওইনা ৱর্ল্ড লেঙ্গুয়েজ ডে, ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে মীপূম খূদিংনা মরুওইনা খঙনদুনা পাংথোক্নে। ৱর্ল্ড আর্থ ডে (World Earth Day) অসিমদি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডেগুম্না মীপুম খূদিংনা পাক শন্না কয়া খঙনদবগুম্না তৌই । ঐগী মীৎয়েংদা থৌরম অনী অসি মরী লৈনৈ অমদি মরুওইবা থৌরম্নি ।



ৱর্ল্ড আর্থ ডে (World Earth Day) হায়রিবা অসি এপ্রিল ২২ নুমিৎ অসিবুনি। ঐখোয়গী মণিপুরদা কয়া খঙনদবা থৌরম্নি। থা অমগী মতুংদা মেগী তাং ৫দা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে অমুক লাক্লগনি। মসিমদি পাকশন্না হান্নদগী লমদমসিদা পাঙথোক্লরকই। হন্দক্কী ওইনদি করম্বা ফিভমদা পাঙথোক্লরক্কগগে হায়বা ঙমদ্রি । ৱর্ল্ড আর্থ ডে (World Earth Day) এপ্রিল ২২দা পাংথোক্ল রকখিবসি ঙসি ঙরাং খক্তা পাঙথোকপা থৌরম নত্তে। চহী য়াঙ্খৈ (৫০) মপূং ফারবা থৌরম্নি। অহানবা থৌরম কুমশীং ১৯৭০ গী এপ্রিল ২২দগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পাংথোকপা হৌরকখি। তশেংবদি San Francisco, peace activist John McConnell না কুমশীং ১৯৬৯ গী মার্চ ২১দা UNESCO গী কনফরেন্স অমদা মালেম পৃথিবী অসিগী ওইবা নুমিৎ অমা পাঙথোক্লবা ৱাফম থাংগৎখিবদগী য়ানরদুনা মথংগী থা এপ্রিল ২২ অসিদা পাঙথোকপা হায়না লেপনখিবদগী ঙসিফাওবা পাংথোক্তুনা লাকখিবনি ।

ঐখোয়না লৈরিবা মালেম অসি (পৃথিবী) মুন্না খঞ্জিল্লুরগদি নুংশিনীংঙাই য়াম্না ওই। হন্দক মরক্তি নহালখৈ খল্লুদবা কয়া খল্লকই । মশক্লাইবা ফিলোসোফর, তুংগী উবা ঙম্বা কয়া অমনা মখল মখলগী লাইফাও তৌবীরম্মী । মালেম অসি লোইবা মতম য়ৌরক্লে, মালেম অসি মুৎখ্রগনি অসিনচিংবা ৱাফম কয়া থন্বীরি। ৱাফমসি চুম্বা য়াই তৌবতবু মালেম পৃথিবী অসিনা লোইবা তারবদি অতৈনা লোইহনগদবা নত্তে,মালেমসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মহাক্কী পূন্সি তেলহনগদৌরিবনি হায়বা ৱাফমসিদি ঐখোয়না খঙদবগুম্না তৌই। ৱাইখু হায়রিবা ঈশিংদা হিংজবা থৱায় পানবা মখলসিনা মতোমতা শিজদে মচা ময়াম্না মথাদা নপ্পগা মমাবু চিঞ্জাক ওইনা চাথোকপগুম, মীওইবনা চাউখৎলকপদা খঙবা হৈবা, থিজিন্নবা, অনৌবা পোৎ পুথোকপা তান্নবদা মালেম অসি তুমগদবা ওইগনি।

লোইবা নাইবা মীওইবা পূন্সিনি। হয়েংমুক্কী মপোক লৈ লৈতে ঐখোয়না খঙবা নত্তে। লোইবা নাইবা মপোকসিনা করিগী তৌহৈদবা তৌবগে ? থাজবদা হেনজিনখিবা, মশাগী মরলদগী হেন্না লৈনিংলকপা, থৱায় পানবা খূদিংমক্কী মপু ওইনিংলকপা, খূদিংমক মহাক্কী মখাদা থম্নিংলকপা অসিগুম্বা নাপল কারকপা অচাউরম কারকপা অসিদগী মাঙনবগী মরমদা খনবা হৌরক্তুনা লানগী খুৎলাই শানরকপনি। মীওইবনা পূন্সি শাংনবগী, নাদ-য়েক্তনা লৈনবগী ৱাখল, মীওইবা শিদনবগী হিদাক পুথোক্লবা খনবগী মহুৎতা লৈপাক অমা মিৎনা কূপ্পদা মাঙহনবা ঙম্বা এটোম, নিউক্লিয়র, রোকেট মিসাইন শানবগী ফোরমুলা পুথোকপরোমদা হেন্না চঙশিন্নরি, লমজেল তান্নরি । মসিবু তৌহৈরিব্রা? মসিগুম্বা ৱাখল খল্লিবসি চাউখৎপা লৈবাকশিংননি। শৈরেংবা কোলরিদজনা, উইলিয়ম ৱার্দসৱার্তনা,কিটসনা মহৌশাগী নীংথিজবা উরুবদা থম্মোয় শুঙ্কৎখিবদগী খুৎতা খোর্জ্জে পায়দুনা শৈরেং ইরমখি।

'রোমান্টিসিজম' হায়দুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্তুনা ঙসি খোরিরোলগী তাইবংদা নৈনরি । কলিদাসনা হিমালয় চীংদোন্দা লৈচিনগী মপৈনা ঙাথু থেংথুনা পাইবা উরগা 'মেঘদুত' ইরমখি। ঐখোয়গী ইমরমদম মণিপুরগী ওইনসু চাউবা, কমল অমদি অতৈ খোর্জ্জেশুবশিংনা মহৌশাগী চীংপাৎ তুরেল, লৌবুক লম্ফাং,উরি উপাল, হৈরাং লৈরাং, নুমিৎ থা থৱানমীচাকশিংবু উরগা শৈথাজরি। ফাইরেলগী লৈচীল, ইঙাগী নোং,ইঙেনগী অতিয়া, থম্মম্বা অহিং, নোংনা ফুদিৎ ফুনা চুরক্লবদা, নুংশিৎনা লিরি শিৎলকপদা, ঙঙ্গান্নবা নুমিৎ উজবদা, নুমিৎনা য়ুংলকপা, নুমিদাং ৱাইরমগী তময়ানা কোরি চেনবা মখল কয়াগী ওল্লক্লিবা মশকপু উজরগা শৈশকপশিংগী খোঞ্জেলদা পূক্লিং নুংওনবা ঈশৈ কয়া শক্তুনা তাবা ফংলি। লাইয়েকপা কনা অমনা মচু মচু শীজিন্নদুনা থম্মোয়দা ফাওরকপা মহৌশাগী ফজবা কয়াবু মহাক্কী কেনভাসতা য়েকচরি । পূম্নমক অসিগী তাইওন্নবদা থম্মোয় কনবা কনাগুম্বা খরদি খুৎতা খুৎলাই পায়দুনা মালেমসিবু তৌখায়রি । ৱাং চাউরবা চীং কয়াগী লৈবাক কোৎথোক্লি, তেমখায়রি। মনীংতম্না অহাংবদা পাইজরিবা লৈচিলবু খুৎশেমগী মণিল (গ্যাস) থাজিন্দুনা তানবীরি। পাল্লবা সমদ্রুদা খুৎশেমগী খুৎলাইশিং চাংয়েং তৌফম ওইদুনা লালগী জহাজ কয়া থৌজিন্দুনা ঈথক ঈপোম হৌহনবীরি। পূমচিক চিকচবা অতিয়াগী অহাংবদা মখল কয়াগী লালগী প্লেনশিং পাইশিন্দুনা পুল্লাং লাঙহল্লি। অশেংবা নুংশিৎকী মহুৎতা, হু চেল্লবা মখল কয়াগী মৈখুনা নুংশিৎকী কুয়োমনুংদা চংখিদুনা নোংমদোল অতিয়াদা অশেংবা নুংশিৎকী মফম লৈহলকত্রি।

হন্দক কোবিদ-১৯ গী থৌদোক অসিদা মালেমগী মফম অয়াম্বদা য়াম্না ঙকপা মওংদা উমংদা লৈবা কৈ, শজি, য়োংশিং অমদি ঈশিংদা লৈবা দোলফিন্নচিংবশিংনা ফোংনা থোকলক্তুনা সহরগী ময়োন্দা থোকলকপা উখি। মখোয় মীওইববু কিদ্রে । শা কৈশিংনা পূল্লপ পূল্লপ অকি অখং লৈতনা সিটি, টাউনশিংদা থোকলক্লিবসি অতৈগী নত্তে। লোকদাউন মতম শাংনা লৈরকপদগী মী অমত্তা মপান থোক্লরক্তবা, মোটোর কার, গড়িশিংগী অহৌবা অরাংবা মখোল , মীগী মীনিল তারক্তবদগী মখোয়না মনীং তম্না সহরদা থোকলকখিবনি। মহৌশানা শা কৈ উচেক ৱায়াশিংদা খোঞ্জেলগী মখোলদগী খঙবা ঙম্বগী তোঙানবা অমা য়াওজরকই। অরাঙবা মখোল মখোয়না হৈনদে। করিগুম্বা অমা থোক্লে নৎত্রগা থোক্কদৌরি হায়বা মখোয়না খঙজরি । মালেমসি কয়া য়াম্না লাঙলম্বগে হায়বসি উমংদগী থোকলক্লিবা শাশিং অসিনা তাক্লবনি। মীওইবনা পুথোক্লিবা শীজিন্নরিবা পোৎলম কয়া অসিগী অহৌবা খোঞ্জেলনসু কয়া য়াম্না মালেম পৃথিবী অসিদা অয়েৎপা অপনবা পীরম্লি হায়বসি হন্দক উবা ঙমখি । কুমগী চাথোক পুথোক্লবা লৌমীশিংনা ষনপোৎ লাঙ্গোম খোইজগদবগী মহুৎতা জিসিবিনা তৌখায়দুনা কোবিদনা পূন্সি কেমহল্লবা মীওই লাক্ষ কয়াগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং মালেমগী লৈমায়দা কুমসি চহীগী খুদোল ওইনা লৈরোল চলহল্লি । হোংলক্লিবা মালেমগী ওইরিবা মওংসি অকীবগী মশক্লি । চীংদনা লানমৈ কয়া অমা থাদোক্লি, মরু কোল্লবা চীংশিংনা খোঞ্জেল থোকপসু ঙমদনা তূম্বক তূম্বক লৈরি। অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা অমুক থুংলখি মালেম লৈমগী নীংশিং নুমিৎ এপ্রিল ২২। ঐখোয়না মহাক্কী নুমিৎ থৌরম পাংথোক্লিবসি মহাকপূ কন্নবগীদমক্লি। নুংঙাইবগী থৌরম নত্তে। মহাকপু মশক খঙমিন্নবনি । অখঙ অহৈখক্তনা মাবু নীংশিংবগী থৌরম পাংথোক্লি । খঙদবা ময়াম অমনদি ঐখোয় কদায়দা করম্না হিংলি খঙনদ্রি ।

নসাগী মতেংনা মালেম অসি য়েংলকপদা তরং মালংদা মথন্তা তাওদুনা লৈরি। তাওদুনা লৈরিবা মহাক্কী মতম্বাক্তা ঐখোয়না চেন চোংদুনা হিংলি । ঐখোয়দি পোথারি মহাক্তি পোথাদনা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খায়না অঙৈং অশা থৱায় পানবসিদা পীবীরিবসি ঐখোয়না কাউফম থোক্লিব্রা ? মীওইবনা অসুক ৱাখল তাদ্রবদা, মালেম লৈমনা করম্না খাংগদগে ? মহাক্লা শিজগদবা নত্তে ঐখোয় ময়াম্না হিংনা হিংনা হাৎপিগদৌরি। ঙসিদগী চহী নিফুগী মমাং, কুমশীং ১৯৭৩দা অমেরিকান সাইন্স ফিক্সন ফিল্ম 'ৱোষ্ট ৱার্ল্ড' হায়বা অমা পুথোকখি। ফিল্ম অসি মমিং লৈরবা হোলিউদ এক্টর য়ুল ব্রাইন্নরনা মীগী এন্দ্রোইদ রোবোর্ট শাদুনা কুমখি । অমেরিকান সাইন্টিষ্টশিংনা শেম্বা এন্দ্রোইদ রোবোর্ট (গনস্লিঙ্গর) নোংমৈ খুৎলৈ থুনা শৎতুনা কাপ্পা ঙম্বা কাওবোইগী ফিজেৎ শেৎপা অমা থাদোকখি। রোবোর্ট অসি কন্ট্রোল রুমদগী সাইন্টিষ্টশিংনা কন্ট্রোল তৌরগা মখোয়গী কম্পুটরগী মতেংনা কমান্দ তৌরগা থাদোকলকপনি। 'ৱোষ্ট ৱার্ল্ড' হায়না খঙনবা পার্ক অমদা থুংলবা মীওইশিং মথং মথং রোবোর্ট (গনস্লিঙ্গর)অসিনা হাৎলকখি। মহাকপু শেম শাদুনা থাদোক্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদে । ইম্ফালদা মতম অমা মীনা চিক্লা চাইনবা ঙমদনা য়েংনখিবা মমিং লৈখিবা ফিল্মনি। হন্দক ফিল্মসি নীংশিংলকই ।

ফিক্সন বিকম ফেক্ট হায়বসি ঐনা থাজখি । ফিল্ম অসি মতাংসিদা পঞ্জবগী মরমদি কোভিদ-১৯ অসি চিনাগী ভাইরস শেম্বা কাঙবু অমগী লেবোরেটোরিদগী নাম্থোকখিবনি হায়বসি অমেরিকান এক্সপার্টশিংনা কন্না হায়নরি। মদুনা অশেংবা ওইরগদি য়াম্না তমথিবা মতৌনি। এন্দ্রোইদ রোবোর্ট (গনস্লিঙ্গর)না নাম্থোকখিদুনা মাবু শেল্লিবা কন্ট্রোল তৌরিবা মীওই সাইন্টিষ্টশিংদা ওনশিনলকপগুম কোবিদ-১৯না ওনশিল্লকপ্রা ? মীনা শেম্বা,মীনা পুথোকখিবা অদুনা মীওইবদা অমদি মালেমদা মাঙনবা ওইরকপ্রা ? মরাল লৈজদবা থৱায়শিং অমদি মালেম অসিবুসু ওম্থোকপা মফম অমা ওইহল্লক্লিবসি মীওইবগী হৈশিংবদগীনি। মালেম লৈমগী নুমিৎ এপ্রিল ২২ নঙদি চৎখ্রে। মথংগী চহীদা অমুকসু লাকখিগনি অদুবু নহাকপু নীংশিংবগী থৌরম তৌগদৌরিবা মীওইবনা মুৎখ্রগদি নঙগী থৌরম কনানা পাঙথোকহৌগদগে ? মীওইবনা থেংনরিবা লাইচৎসিনা মখা তারক্লগদি মালেম লৈমা নঙবু নীংশিং নীংশিংনা ঐখোয় মীওইবশিংনা নতম্বাকসিদগী মুৎখিগদৌরিবসিগী খল্লুবদা ৱাজে ।■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# 'শম্বল'

(হান্নগী মখা...) - ঐখোয়দি নঙগী নতৌদুনা হেন্না কিরুরেনা।

- য়ারেসে ইমা ঐ ঙাইহাক লৈহৌরগে নঙ পোথারুরো।

থাবলৈনা ইমুং চঙখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা লতা থবক অমা চৎলুবগী হল্লকপদা হৈবনা দুকান ফম্লিবা অদু উরম্মী। মাগী মওং অদুদা লতা নোকমি-নোকমি তৌদুনা লাপ্তুক্লা হৈববু য়েংলগা মথন্তা

- এহ তামো হৈবসি দুকান ফম্লিমাল্লেনে, মহাক্লা তৌরিবা অসিবু হৈবু হৈরমগদ্রা। মখোয়গী মমাসু লৈবা উদে, ঐবু হায়ফেত্তং চংলুসিরা ... হোয়দা হায়ফেত্তং চংলুরগে। ঙসাইমখৈদি লতানা দুকান মমাঙদা লাপ্তুক্লা লেপ্লিবা অদু হৈবনা উখিদে অদুমকপু দুকান্দু তম্না চঙলকপা অদুদদি খংবোয় লাকপোই হৈবনা-

- এহ ... লতা নঙদি কদাই চৎলুরিবা?

- মখা লৈকায়, ইনে থোইবিহোয়দা মরুপকী পৈশা থিল্লুবনি, অদো ... তামো হৈবনা দুকান ফম্লিবা অসিবু হৈবু হৈবরো।

- হেরা লতা দুকান ফম্বা হায়বসি করিসু লৈবা থবক নত্তেদা।

- অদুগা নহালমখৈ ফমদ্রিবনা করিগী?

- এহ... নঙনা হৌজিক হংলিবা ৱাহং অদুদি ঐখোয় ইমানা হৌজিক্তা ঐঙোন্দা হংলম্বা ৱাহং অদুগা চপ মান্নে। ৱাহৈ খেন্নবগী ৱানি, ৱাহম্থোক্তি অদুম মান্নে। অদো পাউখুমদি তোঙাল্লগে।

ঐনা নহালমখৈ দুকান ফমদ্রিবা অদুনা ৱাখল মপূং ফাদবদগী পৈশা তানবগী ৱাখল লৈতবা অদুগা হৌজিক্লা ৱাখল মপূং ফারক্তুনা য়ূম পানবগী ৱাখল লাকপদগী পৈশা তান্নীংবগী ইথিল অমা পীরকপনা...।

- তামো হৈবা, করিনো পাউখুম তোঙানবা কাইনা হায়রিবা অদুনা।

- ঐনা নঙোন্দা পীরিবা পাউখুম অদুখক্তমক খঙলো, মখা তানা হংলক্লগনু। অদো নঙনা ইনে থোইবীদা য়াওরিবা মরুপ অদু করি করম্বা মরুপনো?

- লৈশাবীনা য়াওবা মরুপ্প করি ওইরমগদগে হায়বা নঙসু মুন্না অমুক্তা খল্লুদনা।

- এহ... মরুপ্তা লৈশাবীগী হায়বা অমসু লৈরিবরা?

- তামো হৈবা নঙসে ওম্থোক্লসু পংখরে, ঐনা পৈশা থিনবা চৎলুরিবদু উপু-কাংথোল মরুপকীনে। উপু-কাংথোলগী মরুপ অসি লৈশাবীনা য়াওদনা হনুবীনা য়াওগদ্রা? -মথং-মথং

*-কোংখাম চন্দ্রমনি*

# তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -৯

হান্নগী মখা... শোরারেন লাইনিংথৌনা তাংবলদা লৈতেংলে। তাংবলগী য়েৎ থংবদা অঙম অথৌশিংনা পরেং শানা ফমখ্রে। কংলা ৱায়েল অথোইবা লাই-সরোই অনীগী লম মুন্নবগী ৱায়েলবু পাঙ্গলবনা লাইনিংথৌগী য়াথং লৌরগা হৌরকই। লম য়েনবগী ৱায়েল ফম্বে অসিবু লাই সরোই অনীনা 'লাই খুন্দিন লালুপ' হায়না খঙনখি। খুন্দিন লালুপ অথোইবা পাঙ্গনবনা হৌরকই।

পাঙ্গনবনা সরোইশিংবু য়েংদুনা হায়রকই, "হন্দক নৌনা শেম্বা তম্পাক লমদম অসিবু সরোই নখোয়না নখোয়গীনি হায়নরে। অদুগা লাইশিংনা অমা মখোয়না চীংগোই চীংলেনগী লৈবাক থুগাইদুনা ঈপাক ফুন্দুনা শেম্বনিনা, মখোয় লাইগী ওইনি হায়রে। ৱায়েৎ অসিদা সরোই নখোয়গী হায়নীংবা ৱা হায়রো।" সরোইশিংনা হায়রকই : "হন্দক লাইশিংনা শেল্লিবা লৈবাক অসিদি সরোই ঐখোয়গী চীংগী পনগোয় মনুংদা লৈবা চীংগোই চীংগী লৈপাকনা ফুন্দুনা শেমখিবনিনা ঐখোয়গী লম ওইফম থোকই। মরমদি চীং হায়বসি সরোই ঐখোয়গী লমখৈনি।" অসুম্না সরোইশিংনা অকনবা ৱা হায়খি। হাওগী ৱা তারবা তুংদা লাইশিংদা অমুক করি হায়নীংলিবা হায়না হংলকই? লাইশিংনা হায়রকই, "হন্দক লাই ঐখোয়না শেল্লিবা লৈবাক অসিদি ইপুরোইগী য়াথংদগী লাই সরোই অনীনা লৈখিদ্রবা চীংগোই চীংলেন অচৌবগী চীংদোন লৈবাক য়ান্থদুনা, পাল্লবা ঈপাক ফুন্দুনা শেম্বা লাইশিংগী লৈবাকনি। লাই ঐখোয়না ৱানা ঈপাক লান্দুনা চীং থুগাইদুনা শেম্বা লৈবাকনিনা লাইশিংগী শোয়দনা ওইফম থোকই। লৈতুম অমসু লংনীংদবা মখোয়নসু চীংগোই চীংলেন অচৌবা ঈপাক ময়ায়দা লৈবসিদা, ঈপাক কিখিবনা লান্দুনা লৈরুবসু ঙমদবা সরোইশিংনা লৈবাক ওইরক্লবসিদা মখোয়গীনি হায়বসি অঙকপনি। মখোয়দি ইরাই লৈমগী মীচৈনা ঈপাক্কা য়েক্লবনিনা ঈপাক কুমলুবা ঙমদে চীংগোয় য়ৌবদি লাইরদনা। তম্পাক লম শেল্লিবা ঈপাকসিসু অমসু চীংগোয় চীংলেন অসিসু সরোই মখোয়গী লমখৈদা লময়েনবদা য়াওদবা লমনি। লাইশিংনা হিয়াং তোংদুনা চৎলগা চীং থুগাইদুনা শেমজবা লাইশিংগী মীৎয়েংফম ওইবা লমনি। অদুনা লাইশিংগী লম ওইগনি।"

অসুম্না লাই সরোই অনীমক্লা লম মখোয় মখোয়গী ওইগনি হায়না অকনবা ৱা হায়নরে। পাঙ্গনবনা নাকল অনীগী ৱা মুন্না তারবা মতুংদা ৱায়েল চৈরাপ হৌরকই। তাবীয়ু লাই-সরোই মরুপ পূম্নমক, কৌব্রু চীংগী লোকচপতা তাবা সরোই নখোয়না লাইশিংগী পাঙ্গল থৌনানা নৌনা শেল্লিবা লৈবাক অসিবু নখোয়গীনি হায়না হায়নরে। লাইশিংগী পাঙ্গল মহৈবু সরোইগী ওইনি হায়রে। অমরোমদা খরা খজিক চুম্বগুম তৌই মরমদি, চীংগী লৈবাকনা ঈপাক ফুন্দুনা লাইশিংনা শেল্লুবনিনা। -মথং-মথং

*-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*

# দত্তোপন্ত থেংগডি (শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী-১)

(হান্নগী মখা...) এম পী গ্রুপ অদুদা কম্যুনিষ্ট শ্রী হিরেন মুখর্জি য়াওনা অতোপ্পা পার্টিশিংগী নেতাশিংসু য়াওখি। মতম অদুগী ভাইস প্রসিদেন্ট শ্রী বি.বি. গিরিনা দত্তোপন্তদা রসিয়া ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগী থবক-থৌরমশিং, ইন্দষ্ট্রিজগী ফীভম, ইকনোমিককী মওং, চৎলিবা সাসনগী মওং, সমাজ অমসুং মীয়ামগী ৱাখলদা কম্যুনিজমগী করি-করম্বা ৱাখল্লোল লৈবগে হায়বনচিংবা টোপিকশিংদা কুপ্পা য়েংশিন্দুনা ষ্টদি তৌনবা থৌদাং পীখি। ৱাফম অসিদা থাজবা লৈত্রগসু অমসুং অঙকপা অমা ওইরবসু পূম্নমক অচুম্বা ঙাক্তনি মদুদি দত্তোপন্ত পূম্নমক্কী ওইনা খ্বাইদগী থাজবা য়াবা মীশক অমনি। অদুগুম্লবা কম্যুনিষ্টসিজমগী ৱাখল্লোল অদু মহাক্লা ভারতগী মরু ফংনা হুন্দোকখ্রবসু অদুগুম্লবা ৱখল্লোল চেল্লিবা এম পীশিং, ট্রেদ য়ুনিয়নগী নেতাশিং, ইন্টলেকচুয়েলশিং অমদি শন্দোকপগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগা য়াম্না নুংশিনবা অমদি য়াম্না নক্লবা মরী থমখি। মার্ক্সসিজম শিন্নমীশিংগী নেতা কোমরেদ পী. রামমুর্তিনা মহাক্কী মপোক নুমীৎকী পাঙথোকপা চাকলেন অমদা মহাক্লা য়াম্না নক্লা লোয়নবা মীওই ৭ খক কৌরমখি। ৭ অদুগী মনুংদা পাটি ৬ অমদি পোলিটব্যুরোগী মমিং লৈরবা নেতাশিংনি অমসুং ৭ শুবা মীশক অদুনা দত্তোপন্ত থেংগডিনি। শ্রী এম কে পানধে (হান্নগী মহামন্ত্রি, সীটু) দত্তোপন্তগী মরমদা লাইরিক অমা ইবা পামখি। অদুবু অহল য়াম্না ওইখিবনা ইবা ঙমখিদে। হায়রিবা ৱাফমশিং অসিনা দত্তোপন্তগা মীয়ামগা নুংশিনা য়াম্না নক্লা লোয়নরম্বা মরীশিং অদু খঙবা ঙম্মী। -মথং-মথং

*হিন্দিদা- অমরনাথ ডোগরা, মণিপুরীদা - ডা. অহোংশাংবম সুন্দর*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।